য়ুনাইতেদ নেসন্স
সেক্যুরিতি কাউন্সিল

এস/আর ই এস/১৩২৫ (২০০০)
দিস্ত্রিক্তঃ জেনরেল
ওক্তোবর ৩১, ২০০০

ৰারেপ ১৩২৫ (২০০০)

সেকুরিতি কাউন্সিলগী ৪২১৩ রকশুবা ওক্তোবর ১৩, ২০০০দা ফমখিবা মীফমদা কাউন্সিল অসিনা লৌখিবা ৰারেপ

দি সেক্যুরিতি কাউন্সিল,

কাউন্সিল অসিগী মমাঙগী ৰারেপশিং- আগস্ত ২৫, ১৯৯৯গী ৰারেপ ১২৬১ (১৯৯৯), সেপ্তেম্বর ১৭, ১৯৯৯গী ১২৬৫ (১৯৯৯), এপ্রিল ১৯, ২০০০গী ১২৯৬ (২০০০) অমসুং আগস্ত ১১, ২০০০গী ১৩১৪ (২০০০) লোয়ন-লোয়ননা কাউন্সিল অসিগী প্রসিদেন্তনা পীখিবা ৰারোলশিংবু নৌহৌননা নিংশিংদুনা, অমদি য়ুনাইতেদ নেসন্স দে ফোর ৱ্যুমেন্স রাইতস এন্দ ইন্তরনেসনেল পীছ (ইন্তরনেসনেল ৱ্যুমেন্স দে) মার্চ ৮, ২০০৮ (এস সি/৬৮১৬)গী থৌরমদা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্তনা প্রেসতা পীখিবা ৰারোলবুসু নিংশিংদুনা,

বৈজিং দিক্লারেসন এন্দ প্লেতফোর্ম ফোর এক্সন (এ/৫২/২৩১)দা পীখিবা থাজবশিংগী মথক্তা য়ুনাইতেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিগী ''ৱ্যুমেন ২০০০ঃ জেন্দর ইক্বেলিতি, দিভলপমেন্ত এন দ পীছ ফোর দি ত্বয়েন্তি ফার্স্ত সেঞ্চুরি'' (এ/এস-২৩/১০/রেভ ১) হায়না মীংথোনবা মরুওইনা নুপী অমদি খুৎলাইগী মুক্নবা-উংখৎনবগী মতাংদা পাঙথোকখিবা অখন্নবা ২৩শুবা সেসনগী ফল-মহৈ অদুবুসু নিংশিংদুনা,

য়ুনাইতেদ নেসন্সগী চার্তরদা য়াওরিবা মরমশিং, চৎনগদবা নিতি-নিয়মশিং অমদি সেক্যুরিতি কাউন্সিলগী চার্তর ফোর দি মেন্তেনেন্স ওফ ইন্তরনেসনেল পীছ এন্দ সেক্যুরিতিগী মখাদা কাউন্সিল অসিনা লৌগদবা মরুওইবা থৌদাংশিং ৰাখলদা থমদুনা,

খুৎলাইগী মুক্নবা-উংখৎনবনা পাকশন্না শোকহল্লবা, ময়ুম-মকৈ লৈত্রবা, লৈফম লৈতনা কোয়চাই চাইনা লৈরিবা মীচম মরুওইনা নুপী-অঙাংশিং, লান্মী অমসুং লালগী খুৎশু-খুৎলাইশিংনা পান্দমফম থম্বা হেনগৎলক্লিবশিদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লুনা, মসিনা মরুওইদুনা মতম কুইনা চৎকদবা শান্তি অমদি ঐখোয় মশেল য়াশিন্নগদবদা পীরকপা শাফুশিং অদু খঙদুনা,

মুক্নবা-উংখৎনবা অসিদগী ঙাকথোক্লুনা, ৰারোইশিন অমদি শান্তি পুরকপদা নুপীশিংগী মরুওইবা থৌদাংশিংগী খোঙফম হেন্না চেৎশিনহন্দুনা শান্তি-রক্ষাবু ঙাকশেন্দুনা থম্নবা, হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা নুপীশিংনা চপ মান্ননা শরুক য়াবগী, হোৎনবগী অমসুং ৰায়েল গতিদা মখোয়বু হেন্না শরুক য়াহনবগী তঙাইফদবা অদুদা মীৎয়েং থমদুনা,

মুক্নবা-উংখৎনবা লৈরিঙৈদা অমদি মতুংদা নুপীশিং অমসুং নুপীমচাশিংগী হকশিং ঙাক্লুনা থম্নবা ইন্তরনেসনেল হ্যুমেনিতরিয়ান এন্দ হ্যুমেন রাইতস লোশিং মপুং ফানা চৎনহন্নবগী

তঙাইফদবদু হেন্না চেৎশিনহন্দুনা,

নুপী অমদি নুপীমচাশিংগী অখন্নবা তোঙানবা দরকার ওইবদু য়েংলগা পার্তি পুন্নমক্না মাইন (লৈপাক মখাদা নত্রগা সমুদ্র ইরোন্নুংদা ফুম্বা, শোকপদা নত্রগা লাল্লুবদা পোখায়বা বোম অমা) শেংদোকপগী অমদি মাইনগী মরমদা জ্ঞান পীননবা থৌরমশিং পায়খৎননবা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা,

দি ৱিন্দহোক দিক্লারেসন এন্দ দি নাম্বীয়া প্লান ওফ এক্সন ওন মেনস্ত্রিমিং এ জেন্দর পর্সপেক্তিভ ইন মল্তিদাইমেন্সনেল পীছ সপ্পোর্ত ওপরেসন (এস/২০০০/৬৯৩) অমসুং পীছ কিপিং ওপরেসনশিংদা নুপা-নুপীগী খেৎনবা অদু লৈহন্দনবগী খুদক্কী দরকার ওইবা অদুবু খঙদুনা,

মার্চ ৮, ২০০০দা সেক্যুরিতি কাউন্সিলগী প্রসিদেন্তনা প্রেস্তা মুক্নবা-উংখৎনবদা নুপী, অঙাংশিংগী রাইতশিং ঙাকপী-শেনবীদুনা থম্নবগীদমক পীছ কিপিং পর্সনেলশিংবু অৱাংবা থাক্কী ত্রেনিং ফঙহন্নবগী পীখিবা ৱারোল অদুবু খঙদুনা,

খুৎলাইগী মুক্নবা-উংখৎনবদা নুপী অমদি নুপীমচাশিংবু ঙাক-শেন্নবা চপ চাবা কান্নগদবা থৌরাংসিং শেম্বী-শাবীদুনা, মখোয়বু মালেমগী শান্তি-রক্ষাগী ফিভম ফগৎহনবদা মশক্নাইনা শরুক য়ারক্কনি হায়বসি খঙবদগী,

খুৎলাইগী মুক্নবা-উংখৎনবনা নুপী অমদি নুপীমচাশিংদা পীরিবা চৈথেংশিংগী চপ চাবা দেতাগী দরকার ওইবা অদু খঙদুনা,

১) মেম্বর স্তেতশিংদা মফম মফমগী, জাতিগী, মালেমগী ইনস্তিত্যুসনশিংদা মুক্নববু ঙাকথোকপদা, মুক্নবগী চাং হেনগৎহন্দবদা অমদি য়ানবা পুরকপদা ৱায়েল গতিগী থাক্তা নুপী মীহুৎশিংগী মশিং হেনগৎহন্নবা কন্না তকশিনবা;

২) সেক্রেতরি জেনরেলদা, মুক্নবা-উংখৎনবদগী য়ানবা পুরক্নবা অমসুং শান্তিগী খোঙজেল য়াংশিন্নবা ৱায়েল গতিগী থাক্তা নুপীশিং হেন্না শরুক য়াহন্নবা তোঙানবা এক্সন প্লান (এ/৪৯/৫৮৭) শেম্বীনবা পুক্নিং থৌগৎপা;

৩) ওফিসশিংদা অখন্নবা নুপী মশিং হেন্না হাপ্পীনবা সেক্রেতরি জেনরেলদা তকশিনবা, হিরম অসিগী মতাংদা চাং নাইনা নৌথোকহল্লবা সেন্ত্রেলগী ওইবা লিস্ততা য়াওহন্নবা, সেক্রেতরি জেনরেলদা মেম্বর স্তেতশিংনা কেন্দিদেতশিং থারক্নবা হায়জবা;

৪) মিলিতরি ওবজার্বরশিংগী মরক্তা, সিভিলিয়ান পুলিস, হ্যুমেন রাইতস অমসুং হ্যুমেনিতরিয়ান পর্সনেল অমদি য়ুনাইতেদ নেসন্সকী ফিল্ড-বেজ-ওপরেসনশিংদা নুপীগী মথৌ অমসুং মখোয়গী দাইত্য হেন্না চাউথোক্নবা সেক্রেতরি জেনরেলদা মখা তানা হায়জবা;

৫) পীছ কিপিং ওপরেসনশিংদা পুন্না অমত্তা ওইনা জেন্দর পর্সপেক্তিভতা থবক তৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপা অমসুং ফিল্ড ওপরেসনশিংদা চপ চাবা জেন্দর কম্পোনেন্ত য়াওহন্নবা

সেক্রেতরি জেনরেলদা তকশিনবা;

৬) মেম্বর স্তেতশিংদা নুপীশিংগী অকরুবা দরকার ওইবশিং, রাইতশিং ঙাক-শেন্দুনা থম্মননবা নিতি-নিয়ম অমসুং মচাক-মথুমশিং মেম্বর স্তেতশিংদা ফঙহন্ননবা, লোয়ন-লোয়ননা নুপীশিংনা শান্তি-রক্ষা থম্ননবা অমদি শান্তি পুরক্ননবা হোৎনবদা মখোয়না শরুক য়াবগী মরুওইবদু সেক্রেতরি জেনরেলদা হায়জবা, হায়রিবা মচাকশিংগী মথক্তা মথৌ তৌগদৌরিবা মিলিতরি অমদি সিভিলিয়ান পুলিস পর্সনেলশিংদা মখোয়গী নেসনেল ত্রেনিং প্রোগ্রামদা ঐচ আই ভি/এইদসকা লোয়ননা অমত্তা ওইনা পুন্না জ্ঞান লৈহন্ননবা মেম্বর স্তেতশিংদা বার্তন তৌবা, মখা তানা পীছ কিপিং ওপরেসনগী সিভিলিয়ান পর্সনেলশিং শুকশোয় শোয়দনা চপ মান্নবা ত্রেনিং মখল ফঙহন্ননবা সেক্রেতরি জেনরেলদা হায়জবা;

৭) মেম্বর স্তেতশিংদা নুপা-নুপীগী খেৎনবা মতুং ইন্না দরকার ওইবা ত্রেনিংগী মতেঙগীদমক মরি লৈনবা ফন্দস এন্দ প্রোগ্রামস, ইন্তর এলিয়া, য়ুনাইতেদ নেসন্স চীল্ড্রেন্স ফন্দ, ওফিস ওফ দি য়ুনাইতেদ নেসন্স হায় কমিস্নর ফোর রিফ্যুজিস অমসুং অতোপ্পা মরি লৈনবা বোদিশিং য়াওনা মখোয়গী ভোলুন্তরি ফাইনান্সিয়েল, তেক্নিকেলগী মতেঙশিং হেনগৎননবা তকশিনবা;

৮) জেন্দর পর্সপেক্তিভকীদমক অতোপ-অতোপ্পশিং য়াওনা পীছ এগ্রিমেন্তশিং অমসুং য়ানবা পুরক্নবা হোৎনরিঙৈদা শরুক য়াখিবা এক্তর খুদিংমক্তা হায়জবা;

এ) নুপী অমদি নুপীমচাশিংগীদমক অখন্ননা ময়ুমদা অমুক হলহনখিনবা, অমুক হন্না য়ুমগী মীশিংগা পুনশিনখিননবাঅমদি মুরুবা-উংখৎনবা লোয়রগা অমুক হন্না খুন্দাহন্নবা, লৈননবা শিনবা দরকার ওই;

বি) মফম-মফমদুগী নুপীশিংনা শান্তি পুরক্নবা হৌবা ঈহৌ, মুরুবদু য়ানবা পুরক্নবা য়েলহৌঙৈগী ওইবা মওংশিং অমসুং পীছ এগ্রিমেন্তকীদমক পায়খৎলকপা থবক থৌওংশিংদা নুপীশিংনা শরুক য়ারিবা অদুদা মতেঙ পাঙগদবনি;

সি) নুপী অমদি নুপীমচাশিং কন্সস্তিত্যুসন, ইলেক্তোরেল সিস্তেম, পোলিতিক্স অমদি জুদিসিয়ারিগা মরি লৈনবা থবকশিং পায়খৎতুনা মীওই অমা ওইবগী হকশিং শোয়দনমক্কী ঙাকশেন দুনা থমগদবনি;

৯) খুৎলাইগী মুরুবা-উংখৎনবদা য়াওরিবা পার্তি খুদিংমক্তা নুপী, নুপীমচাশিং অমদি মরুওইনা মীচমশিংগা মরি লৈনবা ইন্তরনেসনেল লো লোয়ননা জিনেভা কনভেন্সন ১৯৪৯ অমদি এদিসনেল প্রোতোকোল ১৯৭৭, রিফ্যুজি কনভেন্সন ১৯৫১, প্রোতোকোল ১৯৬৭, কনভেন্সন ওন দি ইলিমিনেসন ওফ ওল ফোর্মস ওফ দিসক্রিমিনেসন এগেন্সত ব্রুমেন ১৯৭৯, ওপসনেল প্রোতোকোল ১৯৯৯, য়ুনাইতেদ নেসন্স কনভেন্সন ওন দি রাইতস ওফ দি চাইল্ড ১৯৮৯, মে ২৫, ২০০০গী ওপসনেল প্রোতোকোল অনি অমদি রোম স্তেচ্যুৎ ওফ দি ইন্তরনেসনেল ক্রিমিনেল

কোর্তপু ইকায়খুম্ননবা হায়জবা;

১০) খুৎলাইগী মুরুবা-উংখৎনবগী পার্তি খুদিংমক্তা নুপী অমসুং নুপীমচাশিংবু মুরুবসিনা পীবা মীওৎ-মীনৈশিং, ইজ্জৎ মাঙহনবা অমদি অতোপ্পা সেক্সুয়েল এব্যুজশিংদগী ঙাকথোক্লবা অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা হায়জবা;

১১) নুপী অমদি নুপীমচাশিংগী মায়োক্তা তৌবা সেক্সকা মরি লৈনবা অমসুং অতোপ্পা মীওৎ-মীনৈশিং, মীওই কাঙলুপ অমবু তুম্না হাৎপা, মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা তৌবা ক্রাইম অমদি লাল খুদিংমক স্তেতশিংনা দন্দি পীদনা লোয়শিন্ননবগী দাইত্য অদুদা হেন্না লুম্না থল্লগা, চৎনবা য়াবা মওংদা হায়রিবা ক্রাইমশিং অসি য়াওহন্দনা মখা তাথখিনবসু পল্লি;

১২) খুৎলাইগী মুরুবা-উংখৎনবগী পার্তি খুদিংমক্তা মীচম প্রজাশিং, রিফ্যুজি কেম্পশিং অমদি সেতলমেন্তশিংদা লৈরিবশিং লোয়ননা নুপী, নুপীমচাশিংগী অখন্নবা দরকার ওইবশিংগীদমক সেক্যুরিতি কাউন্সিলগী ৱারেপশিং-নবেম্বর ১৯, ১৯৯৮কী ১২০৮ (১৯৯৮) অমদি এপ্রিল ১৯, ২০০০কী ১২৯৬ (২০০০) বুসু নিংশিংননবা হায়জবা;

১৩) হান্না খুৎলাই পায়দুনা লান্মী ওইরম্বা নুপা অমদি নুপীশিংনা মখোয় মশেল মীখা পোন্নবগী অমসুং মখোয়গী অতোপ্পা অতোপ্পা দরকারশিংগী খন্দুনা খুৎলাই থাদোক্লনবগী, লান্মী থম্বা তোক্লনবগী, অমুক হন্না পুনশিন্ননবগী থৌরাং তৌরিবশিংবু পুক্নিং থৌগৎননবা;

১৪) চার্তর, য়ুনাইতেদ নেসন্সকী আর্তিকল ১৪গী মখাদা নুপী, নুপীমচাশিং অমদি মীচম প্রজাশিংগী অখন্নবা মীওইবগী চপ চাবা দরকার ওইবশিং ৱাখল-পুক্নিংদা থমদুনা পায়খৎলকপা থৌরাংশিং অথুবা মতমদা হেন্না চেৎশিনহন্ননবা;

১৫) নুপী-নুপাগী অরুম-অয়াং অমদি মফম মফমগী অমসুং মালেমগী নুপী কাঙলুপশিংগা খন্নরগা পুখৎলকপা নুপীগী হকশিংদা সেক্যুরিতি কাউন্সিল মিসননা য়ানিংনা শোয়দনমক্কী মতেঙ পাঙননবগী অনিংবা;

১৬) সেক্রেতরি জেনরেলদা খুৎলাইগী উংখৎনবা-মুরুবনা নুপী অমদি নুপীমচাশিংদা পীবা চৈথেং, শান্তি পুররুনবা হোৎনবদা নুপীশিংগী দাইত্য, শান্তি পুররুনবগী খোঙজেলদা অমসুং মুরু বগী ৱাখৈবদা নুপী-নুপাগী মান্নদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা থিজিন্ননবা বার্তন তৌবা লোয়ননা মখা তানা থিজিনবা অদুদগী ফঙলকপা রিপোর্ত অদু সেক্যুরিতি কাউন্সিলদা পীশিলহনবা অমসুং য়ুনাইতেদ নেসন্সকী মেম্বর স্তেত খুদিংমক্তা হায়রিবা রিপোর্ত অদু ফঙহনবা;

১৭) সেক্যুরিতি কাউন্সিলদা থাগৎননবা সেক্রেতরি জেনরেলনা মহাক্কী রিপোর্ততা পীছ কিপিং মিসন পুম্নমক্তা জেন্দরগী মরুওইবা অমসুং নুপী অমদি নুপীমচাশিংগা মরি লৈনবা অতোপ্পা মাইয়োন কয়াসু হাপ্পনবা হায়জবা;

১৮) হায়রিবা হিরমসিদা ইচং থৌনা থবক তৌনবসু লেপ্পখি।